Total number of printed pages — 6

22 Mel 3(ii)/16

# 2016

# ELECTIVE MANIPURI

**Full Marks : 100**

**Pass Marks : 33**

**Time : Three hours and *Fifteen Minutes**

***(*15 minutes are given as extra time for reading questions)***

*নশাগী ৱাহৈ শীজিন্নদুনা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীয়ু।*

*য়েংথংবা চেৱাগ্দা পীরিবা অঙ্ক ময়েকশিং অসি পাউখুমগীদমক্তা পীবা মার্কনি।*

**(ৱাহং ১ দগী ৪ ফাওবগী পাউখুমদি "চুম্মি" নৎত্রগা "লাল্লি" হায়না ইগদবনি।)**

১। তাইবঙ শিল্পী হায়রগা ঈশ্বরবু খঙৈ। ১

২। মৈতৈগী চৎনবীদা মী মখল খুদিংমক ফিরাংজি ফম্বা য়াই। ১

৩। 'তখেল ঙম্বা' কৌবা লাইরিক অসি নুঙ্গাংবম গোবিন্দ্রামনা ইরম্বনি। ১

৪। ত্রিপদী ছন্দগী চরন খুদিংদা পদ ৪ / ৪ লৈ। ১

**(ৱাহং ৫ দগী ২২ ফাওবগী পাউখুমদি য়াম্না তেন্না-তেন্না ৱাহৈপরেং অমমমদা ইগদবনি।)**

৫। "য়েংউ আদ তৌরিবসে লম্মুক্লরবা নুপা অসে",

'নুপা' অসিনা লম্মুক্লরিবসি করি মরমগীনো ? ১

৬। ‘বিজ্ঞানগী ৱাংলবা চীংদোন্দগী

পুক্লিং’ অনেম্বা লম্পাক লমদম য়ৌনা’

‘পুক্লিং’ অনেমবা লম্পাক’ হায়রিবসি মরম করিগীনো ? ১

৭। ‘না পঙগনি তানা তানা’

— না তানা তানা পঙবগী মরম করিনো ? ১

৮। ‘চফুগা ইৱানগসু নোংমা ফাদোক মকেৎনৈ হায়নৈ’

— মথক্কী ৱারোল অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো ? ১

৯। থৌগল্লোন খঙনবা ৱাহৈ ‘চীনকুপ্পা’ হায়বসিগী ৱাহন্থোক করিনো ? ১

১০। “শোয়রক্লগা ঐঙোন্দা হেক ঈন্থোকপা! ’সিবু ঐতগী ইচারা ?”

কনানা কনাদা হায়খিবা ৱাঙাংনো ? ১

১১। ‘পান্থোইবী খোঙ্গুল অসি লাই হরাউবগা মরী লৈনবা য়াম্না মরুওইবা লাইরিক অমনি হায়বগী মরম অমত্তং পীয়ু। ১

১২। ‘নুমিৎ কাপ্পা’ য়াওবা খ্বাই নোংচেনবম পিবানা তেন্না কাপখিবা (নুমিৎ) নিংথৌ অদুগী মমিং করি কৌবগে ? ১

১৩। খৃষ্টগী করম্বা চহীদা নোংদা লাইরেন পাখংবনা মশানৌ লাইস্নাগা লোয়ননা কংলা ফম্বাল কাখিবগে ? ১

১৪। অলংকার মখল কয়া শুবগে ? মমিংগা লোয়ননা ইরকউ। ১

১৫। শ্লেষ অলংকার কদায়বু কৌবগে ? ১

১৬। মতম কুইনগী তুংদা

লেঙশিল্লক্লে ইমা মৈতৈ চনু,

মৈতৈ সাহিত্য মন্দির মনুংদা;

— মথক্কী খুদম অসিগী অলংকার মশক তাকউ। ১

১৭। নিংথিজৈদ: ফজরে। খুৎশেম নংগী খুৎশেমসে।

— যমক অলংকারগী খুদমনি হায়বগী মরম তাকউ। ১

১৮। বর পীনরিবা মহাদেবসু নহাক্লি

ঐনা নিরিবা বরসু নহাক্লি।

মথক্কী খুদম অসিদা 'বর' হায়বা ৱাহৈ অসি শব্দ শ্লেষ অলংকারনি মরমদি ৱাহৈ অসিদা অর্থ অনি থোক্লা কোংদোকলি হায়বদু তাকউ। ১

১৯। ছন্দ কদায়বু কৌবগে ? ১

২০। মাত্রা কদায়বু কৌবগে ? ১

২১। লখু ত্রিপদী ছন্দগী খুদম অমা পীয়ু। ১

২২। 'ঈরৈপাক' ৱাহৈ অসিদা অক্ষর কয়া য়াওবগে ? ১

**(ꯃꯍꯤꯡ ২৩ দগী ২৮ ফাওবগী পাউখুমদি ৱাহৈপরেং অনী নৎত্রগা অহুমদা ইগদবনি।)**

(ৱাহং ২৩ দগী ২৮ ফাওবগী পাউখুমদি ৱাহৈপরেং অনী নৎত্রগা অহুমদা ইগদবনি।)

২৩। 'থিংবাই নিংথৌ পাউহনচেক' হায়বসিনা করি উচেকপু খঙনবগে ? করি মরমদগী থিংবাই নিংথৌ পাউহনচেক হায়না কৌরিবনো ? ১+১=২

২৪। বিশ্বপ্রেম শৈরেংদা কবিনা নুংশিবা মীনা চৈ-থাংবগা হীদাক অখাবা চাবগা মতৌ করম্না চাংদম্নবগে ? ২

২৫। "অহাঙবা থোপ হায়বসি মহৌশানা পাপকী ৱাখলগী হৌরকফমনি"

— পীরিবা পাউরৌ অসি শন্দোক্না তাকউ। ২

২৬। শ্রী নিংথৌথোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী মত মতুংইন্না মণিপুরী সাহিত্যগী মতম অসি কয়া থোক্না খায়দোকপগে, মমিংগা লোয়ননা ইরকউ। ২

২৭। মখ্বাং অদু কোনবনা মাইনা লৈপাক শোক্কনি

মনম অদু পোনবনা উৎকী শায়োং মানখরে।

— মথক্কী খুদম অসিদা করম্বা মখলগী অর্থালংকার য়াওবগে ? মরম পীদুনা তাকউ। ১+১ = ২

২৮। পয়ার ছন্দগী চরন অমদা অক্ষর (৭+৭)= ১৪ লৈ হায়বসি খুদম অমগা লোয়ননা ইরকউ। ২

**(ৱাহং ২৯ দগী ৩৪ ফাওবগী পাউখুমদি তেন্তক তেন্তক্না ইগদবনি।)**

২৯। "ঙাইরিবনি অমম্বা লৈচিন্না মাঙখিবা নহাক্কী থম্মোয়দগী"

করম্বা শৈরেংদগীনো? কবিনা ফোংদোকলিবা ৱাখললোল অসি করিনো ? ১+২ = ৩

৩০। "অসুম্না ফজবসু মীওইবগী পুক্নিং ব্রাখলগী মখা ইপোন পোল্লি।"

— 'ফজবা' ব্রারেংগী মতুংইন্না মথক্কী ব্রাফম অসি নৈনদুনা ইরকউ। ৩

৩১। 'লাংলোন' হায়বসি মৈদিংঙু কনাগী ম্না হাক্তকতা কনানা ইরম্বা লাইরিকনো ? লাইরিক অসি পারগা ঐখোয়না করি করি খঙবা ঙম্বগে ? ১+২ = ৩

৩২। 'অঙোম গোপী' কনানো ? মহাক্না মণিপুরী সাহিত্যদা তৌরম্বা দান শীংথাদুনা ইরকউ।

১+২ = ৩

৩৩। শব্দালংকার অমসুং অর্থালংকার অনিসিগী খেন্নবা শন্দোক্না তাক্তুনা ইরকউ। ৩

৩৪। মিত্রাক্ষর ছন্দগী মশক-মওং অসি করম তৌবগে ? খুদম অমগা লোয়ননা ইরকউ।

১+২ = ৩

**(ব্রাহং ৩৫ দগী ৩৬ কী পাউখুমদি য়াওফম, মরী-মথোঙ তাক্তুনা শন্দোক্না ইগদবনি।)**

৩৫। (ক) অসিনা লাউজরি খোম্থাং শোন্না

মীংকী পিগা লোয়ননা

লেপখো তীর্থ যাত্রীকশা ! অমুক্তদি লেপখো

হন্দোক্লসি মণ্ডালগী লমদমদা। ৮

*নৎত্রগা*

(খ) "তিংখং পাল্লবসু কেতকীনা

মনম নুংশিবগুম অহোয়না

নিঙাই চাউরা চাউরগা নুংশিবনা

নুংশি মখনগনি থোইনা হেন্না"

৩৬। (ক) কবিনা করি হায়- মীওইবগী পুন্সি হায়বা অসি তৌগদবা থবক্লা শাগৎখিবনি য়াম্না চুম্না ৱানি। থবক্লা হেক লেপ্পা নুমিত্তা মীওইবনা মখোয়গী মীওইবা অদু তোক্তুনা শিবা হায়বা অদু ওই। ৮

*নৎত্রগা*

(খ) ইচা ইশুবু নুংশি হায়রদুনা সমাজনা য়াদবা থবকপু ঐনা করম্না য়াফম থোকপ্রা ? ঐহাক্না থিল্লিবা চন্দোল অসি পংথিন থিনজিনবা নত্তে। ইশাগী ধর্ম্ম ঙাক্কদবনি।

৩৭। 'অর্জ্জুননা লান চঙবা মতাঙ' হায়বা অরিবা শৈরেংগী ৱা-মচং ইরকউ। লান হৌরমদাইদা অর্জ্জুননা ভীস্ম দ্রোনগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখিবা। মহাক মশামক্কী মহুৎ শিন্না তেনবী য়াইওইবনা গুরুশিংদা খুরুম্বগী মরম করিগীনো ? ৪+৪ = ৮

৩৮। 'তাইবঙ ঈরেনবুঙ' শৈরেংগী ৱা-মচং ইরকউ। শৈরেংসিদা য়াওরিবা কাব্যগী ফজবা মচলশিং শীংথাদুনা নৈনরকউ। ৪+৪ = ৮

৩৯। লৈবাক্কী অমসুং ইমুং-মনুংগী শেন থুম চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মণিপুরী নুপীশিংনা করি থৌদাং লৌবগে ? ৮

৪০। (ক) অরিবা মণিপুরী লাইরিক 'সনামহী লাইকন' গী মরমদা করি খঙবগে ? লাইরিক অসিনা মণিপুরগী ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিগী মশক করম্না তাকপগে ? ৪+৪ = ৮

*নৎত্রগা*

(খ) মণিপুরী সাহিত্যদা করম্না মতমদগী শৈরেংগী খুৎই অসি শীজিন্নরবগে ? মসিগী মশক মওং করম তৌবগে ? খুদমগা লোয়নননা নৈনদুনা ইরকউ।

---